www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM




হৌখিবা জুলাই ৬ তা থাঙ্গদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা সলাই থিয়ামবু থাঙনা থিল্লগা হাৎখিবা থৌদোক্তা সলাইগা চৎমিন্নখিবা লমাবম তাইবংঙানবী থাদোকপীয়ু হায়না কংজাবী লৈরক মচিনদা ৱাকৎ মীফম চথখিবা



য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)গী ৯শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম তাওবুংখোক অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইপা লোয়ালাকপা ইমা নুংথেল্লৈমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা




মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ট্রিনিটি পব্লিক স্কুলগী সিলভর জুবিল্লি থৌরম পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০২৫ গী ঐচ এস এল সি এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখ্রবা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংদা মনা লান্থোকখিবা

Volume No: 49 Issue: 241 | IMPHAL, THURSDAY, AUGUST 07, 2025 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৩ | শগোলশেন, থৱানগী ১৩ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

### ৱাখলগী চিঙ্গাক

থাবু থাজনরবদি তুমিন্না লৈনরবসু ৱাখল তানৈ, থাবু থাজনদ্রবদি ৱাহে খুদিং লান্না লৌনৈ

### ৱালতাবীগী থৌদোক

লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনগনু।
–অমজু, ই জি এম

*গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা*

### লোইরেদনা




### হেক্তা হায়জিনবা

## খোপতোক খোপচিন

পঙখোপ্তা খোপনৈ
পঙখোপ্তা খোপনৈ
মানা মানা ঙম্বা খোপনৈ
মণিপুর খোপ্লবা হোৎনৈ
নাগাশিংনা গ্রেটর নাগালেন্দগী
ধপ নুং তৌদুনা
মণিপুর খোপ্লবা হোৎনৈ
কুকিশিংনা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী
মীহাৎ খোৎতুনা
তম্পাক খোপ্লবা হোৎনৈ
চীংগী কাঙবু মখৈনা
মচেৎ মচেৎ লৈশিন্দুনা
লম্মাং খোপ্লবা হোৎনৈ
নিঙোল মচা মখৈনা
চায়াম পোক্তুনা
লৌবুক খোপ্লবা হোৎনৈ
শেঞ্জাও পায়বা ময়াম্না
চেকপল ৱাংনা খাদুনা
লম্বী খোপ্লবা হোৎনৈ
শক্তি পায়বা কাঙবুনা
পার্কিং শেল তান্নবা
পঙখোপ্তা খোপনৈ
মানা মানা ঙম্বা খোপনৈ
পঙখোপ্তা খোপনৈ।

কোকোমি, অমুকো, ফোক্স, এ টি, থাদৌ ইনপি পূন্না মীফম পাঙথোকখ্রে

# ইং–তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা থাদৌশিং ইম্ফালদা লাক্তুনা অহানবা ওইনা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌদুনা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা মতম শাংলবা ইরাং অসিগী মনুংদা থাদৌশিং ইম্ফালদা লাক্তুনা ইহান হানবা ওইনা মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিংগা ইং–তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবগী মতাংদা পূন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে।

ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপা অদুৱাইদগী হৌদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা মৈতৈ ফুরুপকী মায়কৈদগী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী কনভেনর খুরাইজম অথৌবা, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী জেনরেল সেক্রেটরী প্রতাপ লৈশাংথেম, ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) কী এক্টিং প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা সাহ, অরাম্বাই তেঙ্গোল (এ টি) জেনরেল হেদক্বার্টর সি এম পিগী কম্মিস্নার মুনিন্দ্রো মঙাং য়াওনা ইমা লূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা মীহুৎ ওইদুনা শরুক য়াখি।

থাদৌ ইনপি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম জেমসনা লুচিংদুনা লূপ অসিগী মীহুৎ ১৬ না শরুক য়াদুনা থাদৌ ফুরুপকী ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ৱারী শান্নখিবনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ফুরুপ অনীগী মরক্তা লেঙয়ান ফি খুদোল তন্নদুনা ইরাং অসিনা পীরিবা চৈথেং অমদি অৱা–নুংঙাই কয়া পাউদম্নখি। অদুমকপু ক্লোজ দোর মিটিং অদুদা করি করম্বা ৱাফম খন্নখিবগে অমদি করম্বা হীরমদা য়ান্নবা পুরকখিবগে হায়বা অকুপ্পা ৱারোলদি ফংবা ঙমদ্রি।

ঙসিগী মীফম অদু অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদগী হৌদুনা নুংথিল পুং ২ ফাওবা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ৱারী শান্নখি। মসিগী মতুং অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা অদুৱাইদগী হৌদুনা নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা অদুৱাই ফাওবা কুপ্পা ৱারী শান্নখি। অদুমকপু মখা তাবা ৱারী শান্নগদবগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল জেনরেল হেদক্বার্টর সি এম পিগী কম্মিস্নার মুনিন্দ্রো মঙাংনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়, ঙসিগী মীফম অদুদা তংদাংবা *...মখা লমায় ৭ তা...*

...মখা লমায় ৭ তা...

# নম্ফুদা চীফ মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌহনখিবনি: এন বিরেন

অৱাৎ–অপা তান্নগদবা মতমসিদা পি আর শাংদোকপা পামদে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ ফীভমনা য়াদবদগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম নম্ফুদা রিজাইন তৌহনখিবনি হায়বা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। প্রসিদেন্ট রুল থম্বা পামদে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টর ফোর রিছার্স ওন ইনভাইরোনমেন্টেল দিভলপমেন্ট (ক্রেদ) অমসুং নোর্থ ইষ্ট ৱুমেন ওন্ট্রপ্রেন্যুরস এসোসিয়েসন (এন ই দব্লিউ ই এ) অনীনা খূৎশন্ননা শীন্দুনা হৈঙাংদা লৈবা মার্জিং পোলো টুরিজম কমপ্লেক্সতা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চত্থগদবা ইপুধৌ মার্জিং এক্সপো–২০২৫ হৌদোকপগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এন বিরেননা মখা তানা হায়, মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা থমদুনা ফীভম অসি লাকশিন্নবা হায়দুনা অকন্নবা মওংদা হোৎনরম্বনি। মীয়ামগী লৈঙাক লৈহনবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম তত্তনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। হৌজিক প্রসিদেন্ট রুল অমুক শাংদোরক্লিবসি পামদে।

মহাকপু চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী নমদুনা রিজাইন তৌহল্লবা মতুংদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লকখিবনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মীয়ামগী ওইনা পোপুলর লৈঙাক অমা লৈহন্দুনা মীয়ামগী লৈত–লায়র, অৱা–অনা পুম্বা তান্নদুনা তৌগদবা মতম অসিদা পি আর অমুক শাংথবা অসি তৌহন্নিংদে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি মৈতৈগী সি এস ও অমসুং থাদৌ ফুরুপকী মীওই উন্নদুনা ৱারী শান্নরিবা অসিগী মতাংদা হংবা ৱাহংদা *...মখা লমায় ৭ তা...*

## উ য়াম্থৎতুনা খায়দৎলম্বা মীওই নিপান মেছিনগা কোন্না ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ ঙসি ঙসিমক অইং–অশা, নোংজ–নুংশাগী চাং মান্নরক্ত্রিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থন্নবা পান্দমদা মফম কয়াদা পাক শন্না উ চারাশিং থারিঙৈ চৈরক্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খুনুদা লাইচিং প্রপোজ রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা লাইফম লৌনুংদা কাঙলোন কায়না উ পান্বী কয়া য়াম্থৎতুনা খায়দৎলম্বা মীওই ৮ মেছিনগা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, খুনুদা লাইচিং প্রপোজ রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লাইফম লৌনুংদা কাঙলোন কায়না মীওই খরনা উ পান্বী কয়া য়াম্থৎলগা খায়রগা হোন্দোক্লে হায়বগী অকন্নবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও *...মখা লমায় ৭ তা...*

## মহৈরোই অমদা নাতে চাদবা ফোটো উৎলুবা মীওই অমা জেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২ দা চহী নৌরিবী মহৈ তল্লিবী অমদা নাতে চাদবা পিকচর উৎশিল্লুবগী মরালদা পুলিসনা ফারবা লম্বোইখোংনাংখোঙ লেন ১৫ দগী থৌওম্বা কৈশাম (২২) স্পিসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টনা জেলদা থাজিনখ্রে হায়না কেস অসিগী আই ও ইম্ফাল পুলিস সব ইন্সপেক্তর এস মহেশ্বরিনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা মহৈ তল্লিবী নুপীমচা অদুগী গর্জিয়ান অমনা থারকপা কমপ্লেন্টগী মতুং ইন্না থিগৎপদগী হায়রিবা মীশক অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। কেস অসি চথবগা লোয়নননা চেন্নরিবা মীওই অসি নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ কোর্টনা পীখিবনি হায়রি।

## থাঙ্গাল, পাওনা কৈথেলগী মেন রোদতা নত্তনা বিল্ডিং অনীগী অহাঙবদা খোপচিল্লম্বশিংসু তকখায়গদৌরি



**লায়না অমদৌনা লম খোপচিনবগী থবক পাক শন্না চত্থরক্লে: রাজকুমার**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলগী মেন রোদতা লম খোপচিনবা খক্তা নত্তনা বিল্ডিং অনীগী কারক্তা হাঙলিবা মফমদা লম খোপচিল্লম্বশিংসু তকখায়গদৌরি। লায়না অমদৌনা লম খোপচিনবগী থবক অসি পাক শন্না চত্থরক্লে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৬ রোম তারকপা অদুৱাইদগী পাওনা অমদি থাঙ্গাল কৈথেলদা মেন রোদতা লৈঙোই পৈশিনবা, ফুটপাথ মথক্তা হেন্দোক্লা শাজিনবশিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগা খূৎশন্নরগা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা অনীরকশুবা সর্ভে চত্থখ্রে। লম হেনজিন্না শাজিল্লম্বশিং সর্ভে তৌরিবা কাঙবুশিং অদুনা ফক্লাংদা মার্ক তৌদুনা থল্লমখি।

ইভিক্সন তৌবগী সর্ভে অদুগা মরী লৈননা রাজকুমারনা পাউমীশিংদা হায়, মমাঙদা মেন রোদ, ফুটপাথ, পব্লিক স্পেসশিংদা লম খোপচিল্লম্বশিং থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং পাওনা কৈথেলগী ওইনা সর্ভে অমা লাকখ্রে। কুমজা ১৯৯০–৯১ গী মেপকী মতুং ইন্না ইভিক্সন তৌগদৌরিবা অসিদা হেনজিন্না শাজিল্লম্বা কয়া থেংনখি। থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা অদুক্কী মতীক লম খোপচিল্লম্বা থেংনরে। মমাঙগী সর্ভে অদুদদি মেন রোদ, ফুটপাথ, পব্লিক স্পেস খক্তমক সর্ভে তৌবনি।

ইভিক্সন তৌগদৌরিবা অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং *...মখা লমায় ৭ তা...*

## ক্লাস টুয়েল্বসু গ্রেদিং সিষ্টেম ওন্থোক্লবা থৌরাং পায়খৎলে: সেক্রেটরী কোসেম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ওইনসু কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌদুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকলিবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামিনেসন অসি গ্রেদিং সিষ্টেম চৎনবা হৌনবা থৌরাং পায়খৎপা লৈরে হায়না কোসেমগী সেক্রেটরী খুন্দ্রাকপম অশিকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ত্রিনিটি পব্লিক স্কুল লিংখৎখিবা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী ঙসি মহৌশঙ অসিদা পাঙথোকখিবা সিলভর জুবিলি থৌরম অমদি চহীসিগী ওইনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখ্রবা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংদা মনা লান্থোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা কোসেমগী সেক্রেটরী খুন্দ্রাকপম অশিকুমারনা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ লাকপনা মহৈ মশিন তম্বগী কাঙলোনদা অহোংবা কয়া পুরক্কদৌরি। ঐখোয় অয়াম্বনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ক্লাস এলেভেন অসি য়ান্না লায়না লৌবগুম তৌরি। অদুবু ক্লাস এলেভেন হায়বসি প্রমোসন পীগদৌবা লৈরে হায়বগী মতাগুম লায়থোকপা অসিনা মাঙজবা কয়া অমসু লৈতবদি নত্তে।

মরম অদুনা কোসেম য়াওনা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী ক্লাস এলেভেনগী এগজাম অসিসু চেকশিন্না পাঙথোক্তুনা মরু ওইবা অদু খঙহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎপা লৈরে। অসিগীদমক ক্বেসন ইম্প্রুভমেন্ট অমদি ইভালুয়েসনগী মথৌ তাবা ত্রেনিং কয়া পাঙথোকপসু লৈরে।

মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন (সি বি এস ই) য়াওনা অতোপ্পা মফম কয়াদদি ক্লাস *...মখা লমায় ৭ তা...*

## লমাবম তাইবংঙানবীবু থাদোকপীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ হৌখিবা জুলাই ৬ তা থাঙ্গদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা সলাই থিয়ামবু থাঙনা থিল্লগা হাৎখিবা থৌদোক্তা সলাইগা চৎমিন্নখিবা লমাবম তাইবংঙানবী মশামক ভিক্টিমনি। মরম অদুনা মহাকপু থাদোকপীয়ু হায়না কংজাবী লৈরক য়ুঠ ক্লব অমসুং অকোয়বা লৈকাই মরিগী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ঙসি কংজাবী লৈরক মচিনদা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা কংজাবী লৈরক য়ুঠ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সাপম সুভানকরনা হায়, হায়রিবা সলাই মীহাৎ অদুদা মেন একুজ ওইরিবা নুপী মশানা কোর্টতা মরাল য়াজখ্রবা ফাওবা সলাইগা চৎমিন্নখিবা লমাবম তাইবংঙানবীবু থা ১ জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্বীবা অসি নুংঙাইতে। হৌজিক্তি মীহাৎপা মশক মুন্না খঙলবনিনা তাইবংঙানবী মরাল লৈতে হায়বা শেংলবনি। তাইবংঙানবীদি নুমিৎ অদুদা ভিক্টিম অদুগা চৎমিন্নরুবগী মরাল ওইনা থা ১ জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরে। কেস অসিগী মখা তাবা হিয়ারিংদা তাইবংঙানবীবু মরাল লৈতবা অমা ওইনা থাদোকপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্নীং চিংশিল্লক্লি।

## ওফিস য়েংশিনবিনবা লৈতবনা ষ্টাফশিং তলব ফংদবা চহী ২ শুরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম টি দি সি) লিমিটেদকী ওফিস য়েংশিনবিনবা লৈতবদগী ওফিস অসিগী ষ্টাফশিং থাগী তলব ফংদবা চহী ২ শুরে। মসিনা মরম ওইরগা কম্পনিজ এক্ট, ১৯৫৬ কী মখাদা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা লীংখৎখিবা এম টি দি সি করি ফীভমদা লাক্লনি হায়বা তম্বা ঙমদ্রে।

তশেংনমক্তি ষ্টেট অসিগী চাউখ থৌরাং কয়া পায়খৎলগা হিংজনবা পান্দমদা কম্পনিজ এক্ট, ১৯৫৬ কী মখাদা লীংখৎখিবা মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ অসিবু য়েং শিল্লিবা চীফ ইঞ্জিনিয়ার, চেয়ারমেন, এম দি অমদি জি এমগী থৌ পুরিবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদবদগী কোর্পোরেসন অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লাকখিবনি। *মখা লমায় ৭ তা...*

